ৱারী ককনাউ

# নুংশি মীনোক

মেমী অমদি থোইবী মচিন মনাওনি। অদুবু মখোয় অনী নুংশিনদে, উনবগা ফি-ফি হেক্তা কামনৈ। হৌজিক্তা হরাও-হরাও অতোপ্পগা ৱারী-ৱাতাই শানরম্বদু অনীসিগী মরক্তা অমা হেক লাকপা নৎত্রগা উবদা ব্রং শাওগৎলি। লিরুং তেনগুম কোল্লপ কোল্লগা ফজনা লৈরম্বা পিশুম অনীদু শুক্লগা হেক্তা নকশিন্নখি। য়াম্না শাথীখ্রবা মতৌনি। মতম খরমৈ মমাঙদদি, মশম ফোইনবসি থিলৌ মশীং য়াম্লবনি। মখূৎ খুরক কারক্তা মশম চবুন চবুন য়াওখৈ ফোইনবীনি। নুমিৎ হুমনি মরিনিদি মকোক চিক্তুনা ফমুংদা হিপ্পরিবনি। মশম লাম্নবদৈ হেন্দোক্তুনা, মফি লাম্নরক্তনা, লাই শাবদা ফীভম-শক্তম শাবা লোইরগা মফি শেৎত্রিঙৈগী তাঞ্জা অদুফাও য়ৌবা য়াওখ্রবনি, খাম্বা চঙলুবা খুদিং পাই-পাইখৈ চেন্থোক্লরকপা য়াওনখ্রবজাৎনি।

মখোয় অনীসি ঐগী নুপীনি, মেমীনা অহলনি, থোইবীনা অতোম্বীনি। মেমী চহী তরেৎ কোয়নরগা চেল্লগা লুহোংলকপনি। থোইবীদি অথেংবদা থেংনবনি। থোইবী চেল্লকপা নোং হেক ঙাল্লকপদদি কুম্মৈ হেক্তা তাবনি। অনীমক কপ্পা-কপ্পা মশম ফোইনৈ। ঐনা ফনা য়াম্না খাল্লবসু পাম্বৈ লৈতদুনা খূকউ য়ূম শারগা ফমুং ময়ায়দা ফম্মগা য়েংবা নত্তনা পাম্বৈ লৈখিদবনি ঐ।

খরা লৈরগদি ঈংথনরে। থোইবী ময়ূমদা অদুম লৈ, ঐ হাপ্তা অমমম রোষ্টর শেল্লগা লৈ। থোইবীসু মচা নুপা অমা য়াওজরে, চাউরে, ক্লাস থ্রী কারে। অদুবু কোচিগা-কোরাংগা কোৎ-কোৎতুনা ঙাঙবদি অনীমক হন্দ্রি। অদুবু ঐদি অনীমক নুংশিজৈ। ঐ মরম য়াম মোক্লে, থেংনা অমুক্তা য়ূমদা হঞ্জিনদ্রে। মরমদি হেক থেংবদা লান মচা অমা অদুম লৈবা। খিক্তং হেক থেংবদা,

“লাক্লিংদদনা তৌরি নৎত্রা? অদুক য়াম্না লাকনীংদ্রদি চৎখ্রো”

ঐনা ফনা য়াম্না অচুম্বা হায়রবসু, কনা অমত্তনা থাজবীদে। মমৈদদি ঐসে ওইদবা ঙাঙবা, হায়জিন্নবা, মালহনবগী থবকসি এক্সপার্ট ওইরক্লে। ইপুন্সিদা ওইদবা ঙাঙজরক্তবা ঐহাকসে, মেমী অমদি থোইবীগী হাক্তকসিদদি নোংমগী মনুংদা ওইদবা অমা হায়হৌদ্রদি ইশাসে হৈনরক্ত্রে।

নহান নোংমদি ওন্থোকপা অমা তৌরে। মরী মতা অমগী উসব অমা চৎত য়াদ চৎপনি। মীসু কয়া য়ামদে। মী ৪০ মুক অদুৱাইদা ওইরমগদ্রা। তোঙান-তোঙান্না চেবাউ-ৱা পাউ পীরক্তুনা ঐ চৎলে। ঐদি খরা ঙল্লি। নুমিৎসি ঐ অহলগী রোষ্টর তাবদগী মেমীগা লাকমিন্নবনি। ঙাইহাক লৈরগা থোইবীনা থোঙ্গালদগী ইচা নুপাদু মখূৎ শম্মগা চঙলকপদু ঐ মী অমগা ৱারী শারিঙৈদা উই। “শোয়রেদনা ঙসিদি মীগী উবস মফমসিদা কুম্মৈ অমা শোয়দ্রেদনা” হায়দনা ঐ মচি অমদা ইথন্তা লুম্মগা য়েংই। তাঞ্জাসিদা মেমীদি মৌ খরগা ওনশিন্নদুনা মাঙ্গোল মচি অমদা লেপ্পগা ৱারী শাবা উই। থোইবীনা মচাগা লোয়ননা চঙলকপদু মাদি উদে। থোইবীসু গোরোং গোরোং চঙলকই। ঐদি লুম্মগা মখোয়গী মতৌ য়েংলি। খঙহৌদনা ইমুংদগী থোরকপা অহল অমনা কৌবা তাই,

“থোইবী লাও-লাও, কাখৎলক-ও, অঙাংসু য়াওরক্লেদনা, য়াম নুংঙাইরে, য়াম চাউনা কৎপা উসব নত্তেদা, ঐখোয় ময়াম অমুক্তা পুনশি হায়দুনা ‘দুক শিল্লিবা হায়দুনি, লাও-লাও”

“শোয়দ্রে মীগী মাঙ্গোলসিদা কুম্মৈ হৌরনি” ঐনা খল্লি, লোয়ননা হৌরক্লিবা মীহুলদু ইশা ইতোমতা ফাথজনবা হোৎনৈ। মেমী মমায় থোক লৈথোরকই। থোইবীবু উবা মাল্লি। থোইবীসু মেমীবু উবা মাল্লি। অনীমক মায়গা মায়গা ওনশিন্নরগা থোক হেক লেপমিন্নৈ। কৌনদে, য়েংনৈ। ঐদি লোইরে শোমদা, লান শোয়দনা হৌরনি হায়দনা ইপা পাখৎলে। অদুগদি অনীদু য়েংনরম্বদগী চপ মান্ননা নোকমিন্নরকই “হা-হা-হা...” মোই অনীগী মতৌদুদা মাঙ্গোলদা লৈরম্মীবশিংদুসু ৱা-ৱা হেক নোক্লকই। পাখৎনা য়েংলিবা ঐসু মখোল থোক্লা নোকথোক্লে। অদুগা মী তারম্মদ্রা হায়না অমুক কোয়েং য়েংলি। অনীদুনা নোকমিন্নবসি ঙসিনা অহানবনি। ঐ মখোয় অনীসে য়াম্না নুংশিরকই। ঐনা কিরম্মীসিগা মখোয়না নোকমিন্নরিদুগা য়াম্না ফাক লৈরম্মৈ। মোইদি মথম্মোয়দা হান্নদগী হৌনা নুংশি মীনোক নোকমিন্নরম্মীজাৎনিদনা। মেমীনা ইচা অতোনবদু ফমথরগা মমায়দা নানবীরগা হংই,

“ইস ইচাগী ফুরিৎসিদি ফজরেদা, চন্দোলসিদি কনানা থিনবী”

“মমানা” মরোল শেংফাত্তনা খুম্মী।

“ইচাদা য়াম্না পকচৈ” খঙহৌদনা মেমীনা ইচা অতোনবদো চেৎনা নুংশিনা কোনবীখি। থোইবীসু মচাগী মনাক্তা ফমথরগা, মচাদা হায়খি,

“মাচৌবীনে, মাচৌ কৌ-ও”

“মাচৌ” ইচানা কৌখি

মেমীদো কদোমদগী পিনো খঙহৌদে ছররর তারকখি। অদুগা থোইবীদা কোনখি

“ইচেগী ইবেম্মা”

“ইচে” অনীমক কোন্নখি। ঐ মায়সে পিনা পুমচোৎ চোৎ লৈরম্মে। মাঙ্গোলদা লৈরিবা ময়ামদুসু মফিনা মপি তৈথোক্লখি। ঐনা নুংশিনা কৌখি।

“মেমী ... থোইবী”

অনীমক্লা ঐবু উবদা ঐগী খোঙদা চপ মান্ননা খুরুমখি। ঐনা অনীমকপু নুংশিনা মরেংজুম পায়দুনা চিংখৎপীখি।

— নরেন্দ্র নিংঙোম্বা

# তেংবানবা তাইবঙপানবা ওইরকপা অমসুং মীতৈ হৌরকপগী ৱারী -১৫

হান্নগী মখা... সনামহী লাইনিংথৌনা মফম খুদিং চৎতুনা তাইবঙ য়ূম্বুম খুদিংদা অফ-নুংঙাই, লমচৎ-শাজৎ তম্বীরে, তাইবঙনুংদা তোংদুনা। লাইনীংবগী লম্বীসু মখল য়াম্না তম্বীরে। তাইবঙ মচা মনাই খিবিক্তা লৌশিং মৈরা মঙাল ৱাত্তনা পীনবীরে। মী-খরৌবগী মতমদগী লাইনিংথৌ ইবুংঙো ইপুরোই অপোকপা, সনামহীগী মচা মশুনা ‘মীগী’ মিংথোল ফংনখি, লাইনা য়েনবা ৱায়েলনা। অদুগুম্বা লাইগী হেক হকথেং চাদা ওইবা, তোপখ্রবা মীওইশিং অদুবু ‘মীতৈ’ হায়না খঙগনি। লাইগী পুকচেল চেল্লবা লাইগী হেক হকথেং চাদা ওইবা মীতৈ মরুপ খিবিকনা খুন্দা লৈতারিবা লমদম মফমবু ‘মীতৈ লৈবাক’ কৌগনি মীতৈ চীংমী-তম্মী পোকপী মালেমবু। ইপুরোই অপোকপা লাইগী থৌশিলনা সনামহী পাখংবা লাই অনীনা লৈঙাক্তুনা পাল্লকঙৈদগী ‘চীং-তম মীতৈ লৈবাক’ লেপখ্রে। চীংলোন মাপননা কোয়না পনশাদুনা, কৌব্রু চীংনা লেম্ফু, লোক্তাক ঈপাক্লা সনা তেংকোৎ ওইবা, তুরেল অহুম (নম্বুল-ইম্ফাল-ঈরিন) না লুজাও শীংলি ওইবা, কংলানা ময়ায় খোইদৌ, ঈথাইনা ঈতিনফম ওইদুনা মীতৈ লৈবাক লেপখ্রবনি। ইপুরোই অপোকপা লাইনিংথৌ সোরারেননা য়াইফরে। সনামহী পাখংবনা য়াইফরে। মীতৈ চীং-তম পোকপী ইমা মীতৈ লৈপাকনা য়াইফরে। তাইবঙপানবা মরুপশিংনা ‘মাগী মাগী মমা মরোলনা’ ইপুরোইগী মমিংবু কৌনীংবতা কৌদুনা শোন্নখ্রে। হৌরকপগী ৱারীনি ঈচেলতনা থল্লবা। তাবগী পেনবা নাইদবা! হুঙ য়াইফবা!

**১৬শুবা শরুক (ৱারোইশিন)** - ইপুরোই অপোকপা তেংবানবা মপুগী য়াথংনা সোরারেন শিদবা লাইনিংথৌনা তেংবানবা তাইবঙপানবা পুথোক্লবা মতুং মপারি অহল ফুহিংসিদা ‘সনামহী’ মিংথোল পীদুনা অমসুং তুকথবদা ‘পাখংবা’ মীংথোল পীদুনা তেংবানবা তাইবঙপানবা মালেম ফম্বাল শিন্নরম্লগা অনীনা পাল্লকখিবসি চহী মশীং লাকশিনবা ঙমদখৈ কুইনা পানখ্রবনি হায়বসি মথক্কী সকোক্কী ৱারী মতাং ১৫ অসিনা চুকনি। লাইনিংথৌ সনামহী পাখংবা অনীনা মালেম তাইবঙপানবদা পাল্লবা মতমসি করম্বা মতমদগীনো হায়বসি অমম্বা অমনি। ফুহিংসিনা ‘সনামহী’ কৌদুনা তুকথবনা ‘পাখংবা’ কৌদুনা পাল্লবা অসি ফাওবদা ফুহিংসিনা তাইবঙ, তাইবঙ মীনচিংবা শেমখ্রবসু তাইবঙপানবা তাইবঙ মী থোরকত্রিবনি। মতম য়াম্না কুইনা হৌখ্রবা মতুংদা ফুহিংসিনা হন্দক শেমখিবা তাইবঙপানবা তাইবঙ মীনচিংবা অসি থোরকপা হৌরক্লিবনি। অদুসু অমুক্তদা লোইনা হেক ওইদ্রিবনি। মথং-মথং মতম চঙনা মালেম মশাদগী ওইরক্লিবনি। সনামহী ফুহিংসিনা শাবনি হায়রবসু। সনামহী কৌরবা লাই ইবুংঙো মশক উদবা মহাক্কী মতিক ময়াই পূম্নমক নুমিৎ কৌবা কোইরৌ য়োইময়াই তাওতলবদা লোইনা হাপখ্রে হায়না। ‘সকোক থিরেল’ না তাক্লিবনি। কোইরৌ নুমিৎনা মালেম তেংবানবা তরং নোংখোং কোয়দুনা তাইবঙপানবা শন্দোক্লবগী থৱায় য়াইরেন পুবা মৈশা মঙালনা মালেম লৈমগী মায়কোয়দা য়ৈথরক্লবা মতমদতা মথং-মথং নাপি-শিংবী, উরি-উপাল, হৈরাং-লৈরাং, ঈশিংদা লৈবা, কংফালদা লৈবা থৱায় পানবা অচৎপা পূম্নমক মালেম ইমাগী সিয়োম্নুংদগী মশা মথন-মথন্তা ওইরকখ্রিবনি। সনামহী লাইদি তাইবঙ মী নত্তে। লৈ হায়বদি খঙবা মশক উবদি ফংদবা অমনি। মতমগী নোংলৈ-নুংশিৎনা য়ৈরকপদা তাইবঙপান মালেমদা ওইরক্লিবা থৱায় পানবা অচৎপ-চৎতবা পূম্নমক অসিবু মীতৈ অহল লাইওইবশিংদুনা খঙনা সনামহী ফুহিংসিনা শেম্বনি হায়রিবনি। ফুহিংসিবু ‘সনামহী’ মিংথোল পীররিবসি সোরারেন হায়রিবা লাই মপান নাইদবা অসিনা পীরিবনি। শোরারেন হায়রিবা লাই অসিমকসু শকউদবা লাই ইপুরোই অপোকপা মশামকনি। ফুহিংসি সনামহীসু ইপুরোই মশানা মালেমদা শায়োনজখিবনি। ফুহিংসিবু মালেম লৈমা ইমা লৈমরেননা কোনবদা তুকথবা পাখংবা পোকখ্রিবনি। অদুবু করিগুম্বা থৌওং অমরোমদা শোরারেন-লৈমরেনগী মচানি হায়রিবনি। কোইরৌ-হনবা নুমিৎকী মৈশা মঙালনা মালেম লৈমা (চফু অচৌবগুম্বা) ইমাগী লমজাও তম্পাক্তা য়ৈরক্লবা মতমদা ওইরমদবা, লৈরমদবা পূম্নমক ওইরক্লিবা অসিবু ফুহিং-চফুদা পুন্সি য়াই ওইবা শকলেপ্পা মতম অহুম চঙলরে হায়রিবনি। অহুম অদুদি ‘মৈ-ঈশিং-নুংশিৎ’, ‘খুমন-মঙাং-লুৱাং’ অসিনি হায়রি। অহুম অসিবু সোরারেননা লৌখৎলগা অহাংবা মশাগা মরি শুরে। মসিবু লৈবাক লৈমদা হেক শিনবদা তুকথবা কৌবা ‘পাখংবা’ পোক্লে হায়রিবনি।

*-নিংঙোম্বম অমর (সিলহেনবা)*

# লৌশিংনা লনগৈ ওইরকপা

স্কুল তম্লিঙৈদগী ওজাশিংনা, ঐখোয়গী চীন্দা পকপা ৱাহৈ অমা ওইহল্লকই - ‘নোলেজ ইজ পাৱর’ (লৌশিংনা পাঙ্গলনি) ৱাহায়সিগী অচুম-চুমদা কনানসু খন্থনদে। লৌশিং লৈবা (অশিংবা) মী ওইনবনি ঐখোয়গী ইমা-ইপানা ঐখোয়বু স্কুল-কোলেজদা থাদুনা লাইরিক তমহল্লকখিবা। অদুবু, লাইরিক তম্বদি চৎখিদবা অশিঙবা মীসু লৈ। নোলেজেবল ওইবা হায়বসি লৌশিং লৈবা হায়বনা হেন্না চূনবা ৱাহৈ ওইবা তাই। ‘এদ্যুকেটেদ’ ওইবা হায়বসিগা ‘নোলেজেবল’ ওইবা হায়বসিগা অনী অসি মান্নদে। অঙাং ওইরিঙৈ থেংনরকখিবা ৱাহৈ অমা নীংশিংলি ‘-এদ্যুকেটেদ ওইবা মী খুদিংমক নোলেজেবল ওইদে, অদুবু নোলেজেবল ওইবা মী খুদিংমক্তি এদ্যুকেটেদ ওই’। লৌশিং (নোলেজ) হায়বসিনা মালেমদা পুন্সিগী মশক শেমগৎপসু ঙম্মী, মাঙহনবসু ঙম্মী ... মী অমদি শাগী খেন্নবা খঙহল্লক্লিবা মীওইবগী লৌশিংননি।

করিদইনো খঙদে। ঙসিদি ‘লৌশিংনা পাঙ্গলনি’ হায়বা ৱাহৈ অসি কয়াম চুম্বনো-কোকসিগী নাকচিদা চীকপমখৈ কক্-কক্ থিল্লকপগুম তৌরকই। চুম্বগুমসু তৌ, পুমচুম চুম্বসু নত্তবগুম তৌ। হায়বীরকপা য়াই - মালেমগী মফম পূম্নমক্তা, মতম পূম্নমক্তা চুমদুনতা লৈরগদবা, ‘য়ুনিভর্সেল ট্রুথ’ ওইনা খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু, মুন্না খন্থরুরগা খঙলক্কনি অদোমসু - ৱাফম অসি তংখায় চুম্বা ৱারোলনি। ‘নোলেজ ইজ পাৱর’ হায়রম্বগী মহুত্তা ‘নোলেজ ইজ পোতেন্সিঅল পাৱর’ (লৌশিং হায়বসি ফুমদুনা লৈবা পাঙ্গলনি) হায়রম্বনা হেন্না চূনবা ৱাহৈ ওইরমগদবনি। শীজিন্নদবা লৌশিংদি কান্নফম খঙদে। কান্নবা (কন্সত্রক্টিব ওইবা) থবক্তা শীজিন্নরবা মতমদতা লৌশিংনা পাঙ্গল ওইরকই।

করম্বা চহীদা করি থৌদোক থোকখি? ঐখোয়না ঙসি নুংঙাইবা পুন্সি লেল্লিবসিদা মতেং ওইরিবা সাইন্টিফিক ইনভেন্সন ময়াম অসি কনানা কৈদৌঙৈ পুথোকখি? মুগল অমদি বৃটিশশিংনা ইন্দিয়া খুদুম চনদ্রিঙৈ ইন্দিয়নশিং কনাগী মখা পোল্লম্মী? খম্বা-থোইবীগী ৱারী করম্বা মীতৈ নিংথৌগী হাক্তক্তা থোকখিবনো? অসিনচিংবা ৱাহং ময়ামগী পাউখুম কোকসিদা তূংশিন্দুনা থল্লগা, জেনরেল নোলেজগী পূক্কে অমা ওইহল্লগা ঐহাক অশিংবা মী অমা ওইরক্কদবা নত্তে। পূম্নমকসিদি ‘ইনফোর্মেসন’নি। অসিগুম্বা ইনফোর্মেসন, জেনরেল নোলেজ হায়না খঙনরিবশিংসিবু মীয়ামগী ওইবা কান্নবা থবক অমদা ওন্থোকপা ঙল্লবা মতমদুদা ‘নোলেজ’ ওইরকই। মতাংসিদা ৱারী অমা নীংশিংলুবা কান্ননি। ‘থিওরি ওফ রিলেটিভিটি’ পুথোক্লম্বা, অফাওবা সাইন্টিষ্ট ‘অলবর্ট আইনষ্টাইন’দা নোংমা, য়ুনিভর্সিটি অমগী মেথমেটিক্সকী প্রোফেসর অমনা হংখি, ‘মাইল অমা হায়বসি ফুট কয়ানো’? আইনষ্টাইন’না খুদক্তা খুমখি, ‘ঐ খঙদে... মিনট অমগী মনুংদা অঙাংগী রিফরেন্স বুক অমদগী খঙবা য়াবা অদুগুম্বা ৱাফম ময়ামদুনা ঐগী কোকসি থলহল্লুবগী কান্নবা করিনো’...?

আইনষ্টাইন’না ঐখোয়দা অচৌবা পাড়া অমা তম্বীরম্মী। ঐখোয়গী কোক, পূক্লিং-ৱাখলসিবু লাইরিক্তা ইদুনা লৈরবা ‘ইনফোর্মেসন অমদি ফেক্ট’ ময়ামগী ষ্টোর-হাউজ ওইনা লৈহনগদৌ’ শরুক, পৈশিন্দুনা থম্লিবদুদা য়াওদবা অতোপ্পা অনৌবা অমা পুথোক্লবা ‘খনব’দা শীজিন্নবদুনা হেন্না মরু ওই। ঐখোয়না খন্নরিবনা - লাইরিক্কী লৌশিং য়াওদবা মীশক অদু ‘কান্নদ্রবা, চন্নফম খঙদ্রবা মী’।

মালেমগী খ্বাইদই মমিং চৎপা ‘ফোর্দ কার কম্পনি’ গী মপু ‘হেনরি ফোর্দ’কী ৱারী অমগা নীংশিংজরমগে। মতমদুদা, খ্বাইদই আশা চাউনা পুথোকখিবা ফোর্দ কার-মোদেল অমা, ‘খ্বাইদই মশক - থীবা’ মোদেল অমনি হায়দুনা মীয়াম্না রিজেক্ট তৌখি। অতোপ্পা মোদেল অমা হোংদোকসি হায়বদা ‘হেনরি’না য়াখিদে। মোদেল অদুমক মখা তানা শাননবা খঙহনখি। হেনরিগী মতৌদুদা ‘চিকাগো ত্রিব্যুন’ (মীদিয়া হাওজ অমা) না মহাকপু ‘অপঙবা/বুদ্ধি শোইরোম্বা/লাইরিক হৈতবা, মতমগী নুংশিৎ খঙদবা’ মীশক অমনি হায়দুনা শীংথাখি। মাগী মীংচৎ থীহনবগী কেস অমা থাঙ্গৎলগা হেনরিনা হায়খি ‘প্রুভ ইট’ (ঐবু অদুগুম্বা মীশক অমনি হায়বদু প্রমান তৌ)।

স্কুলগী ফোর্মেল এদ্যুকেসন নীংথিনা ফংলকখিদবা, লাইরিক্কী গ্যান ৱাৎলবা হেনরি ফোর্দকী মফমদা জেনরেল নোলেজগী লাইরিক্তগী অচম্বা ৱাহং খরা হংখি ৱায়েন-মপু (জজ) দুগী মমাঙদা। ... অমেরিকাগী রিভোল্যুসনরি ৱার কৈদৌঙৈ, কনাগা কয়াম কুইনা শোক্লখি ... বেনেদিক-অরনোর্দ কনানো ... অসিনচিংবা। ৱাহংশিংদুগী পাউখুম অমত্তসু হেনরি’না পীবা ঙমখিদে। মতৌদুনা ঈনোদ হাপ্লবা ‘ত্রিব্যুন’ গী রিপ্রজেন্টেটিব অদুনা মনম-মনম হংজিল্লকপদুদা হেনরি’না খোঞ্জেল ৱাংলপ খুল্লকখি ... ‘নঙনা হংলিবা ৱাহংশিংদুগী পাউখুম ঐ অমত্তা খঙদে, খঙলুবইসু কান্নবা লৈতে, ঐগী-শিনফম অসিদা ৱাফমশিংদুগী চন্নফম লৈতে, অদুবু ... পাউখুমশিংদু পীদ’-য়াদবা ওইরগদি, মদু খঙবা মী অমা মফমসিদা মিনট মঙাগী মনুংদা লাকহনগে’...।

হেনরি ফোর্দ-মহাক্লা খঙদবা ইনফোর্মেসন, অতোপ্পদই করম্না লৌগদগে হায়বা আর্ট অদু নীংথিজনা হৈ। মহাক্লা পামজবা হীরমদুগী লৌশিংদি মতিক চানা হৈননবা হোৎনখি। মশক থীবা কার মোদেলনি খন্দুনা মীনা মীরায়বীরম্বা কার অদু খ্বাইদই য়াম্না শীৎপা কার মোদেল ওইরকখি।

ঐগী ঈরৈকাইসিগী ক্লব’না শীল্লগা পাঙথোকপা লিটরেরি প্রোগ্রাম কয়াদা ৱারেংজরিবা ঐহাকসু ‘কুইজ মাষ্টর’ ওইনা (নহা ওইরিঙৈ) শরুক য়ারকখি। রিফরেন্স বুক কয়াদগী ইনফোর্মেসন খোমজিল্লগা শেমখিবা ৱাহং ময়ামদু ঙসি ফাও ফনা-য়াম্না নীংশিংলি। মতমদুদা ৱিন্নর ওইখিবা, লাইরিক থৱায় য়াওজবা, ক্লাসতা মকোক ওইখিবা নহা খরা - ঙসি, লৈঙাক্কী ওফিসর ওইদুনা লৈ। মহাক্কী ইমুং নুপী অমসুং অঙাংগীদমক হিংলিবা, লৈকায় অমসুং য়ূমলোন-কৈরোন্নবশিংনদি মহাক অমা লৈরি হায়বফাওবা নোংমতসু নীংশিংদবা।

ৱেল্থ-ইনসাইট-প্রাইভেট-লিমিটেদ কৌবা, বেঙ্গলোরদা বেজ তৌবা কম্পনি অমগী মেনেজিং দাইরেক্টর, ঐগী মরুপ অমা, চহী অহুম’মুক্কী মমাঙদা নোংমা ইম্ফালগী ক্লাসিক হোটেল-রুমদুদা ‘কৌন বনেগা ক্রোরপতি’, টি ভি প্রোগ্রামদু য়েংমিন্নখি। হেল্প-লাইন অমত্তগী মতেং লৌদনা ক্রোর অমগী মনা ফংখিবা নহাদুগী মরমদা ঙাইহাক ৱারী শানখি। মহাক্লা নোকফেৎ তৌনা হায়রকখি, ‘... ঐগী কম্পনিসিদা মহাক থবক তৌরম্লবা, মাগী সেলরি ঐনা কয়া পীরমগনি, নহাক খঙনীংব্রা?

‘নঙগী অনীংববু ঐনা করম খঙলুনি’!

‘লুপা লিশীং অহুম’!

‘অদুদি পিওন অমদা পীরফাওবা য়াম্মন্দে’।

‘ঐনা পীদৌরিবা তোলোপ অদুসু থাগী নত্তে, চহীগী নত্তে পুন্সি চূপ্পা অদুগীনি ... মহাক এক্সপর্ট অমনি ... লাইরিক য়াম্না পায়, য়াম্না খঙই ... ঐ য়াই, হংউ খুদিং খুল্লক্কনি, মহাক্কী নীংশিংবগী শক্তি য়াম্না কল্লি, পাখিবা/খঙখিবা ইনফোর্মেসন খুদিংমক কাউবা-তৌদ-নীংশিংই ... অদুবু মহাক ‘খনবা’ ঙমদে, মহাক হ্যুমেন এনসাইক্লোপেদিয়া অমগুম্বনি ... লুপা চামঙা পীবা এনসাইক্লোপেদিয়া অমা লৈরুরগা মহাক্কুম্বা হ্যুমেন এনসাইক্লোপেদিয়া অহুম-মরিদগী হেনবা ইনফোর্মেসন ফংগনি ... ঐখোয়না দরকার ওইরিবদি অতাঙবা ইনফোর্মেসন নত্তে, প্রোব্লেম সোল্ব তৌবদুনি, আইদিয়া অমা পুথোক্তুনা লৈবাকসিনা মায়োক্লরিবা ফাইনান্স’ল প্রোব্লেম অসিগী সোলুসন অমা পুথোকপনি’...।

চার্টর্দ এক্কাউন্টেন্ট অমা ওইরম্লগা, ৱেল্থ-মেনেজমেন্ট-কন্সলটেন্ট ফার্ম অমা লিংখত্তুনা অচৌবা কোর্পোরেট হাওজশিংগী ৱা-তানফম ওইরিবা, দিপেন দত্ত’না হায়রমখিবা ৱাশিংদু ঙসিসু কাউঙমদনা নীংশিংলি। মালেমগী অফাওবা লিদরশিপ গুরুশিংনা হায়বা ৱা’দুনি, মহাক্লা পুন্সিদা প্রাক্টিকেল ওইনা থবক ওইনা পাঙথোকপদুখক্তনি। ঐখোয়না লোয়নগদবা মীওইদি অতৈ নত্তে, করিগুম্বা অমা তৌগে নীংবা মঙলান অমা মঙলিবা, মঙলান্দু তাইবঙ ওন্থোকনীংবনা খৌরাংলিবা... নোলেজনা পূক্কে থন্না লৈরসু, পূক্কে অদু কায়থোক্তুনা পুন্সিগী অশেংবা মরল লেপ্পা হৈতবা, হৈবোঙ মখা হীপ্পা নত্তবা, হৈবোঙ পাম্বী কাদুনা উহৈ হেকপা মীওইশিংদুখক্তগনি। লৌশিং-পূক্কে (বুকিস নোলেজ) অদুনা পুক থন্নবা মহৈ-মরোং কৈদৌঙৈদা পীরক্লোই, নোলেজ অদু কন্সত্রক্টিব ওইনা শীজিন্নবা হৈরবা তুং অদুদনি পূক্কে-লনগৈ ওল্লক্কদবা।

*-সোইবমচা ইন্দ্রকুমার*

## শরৎচন্দ্রগী শ্রীকান্ত (৩শুবা)

# লোই থাবা

*(বেঙ্গলগী উপন্যাসকার শরৎচন্দ্র চট্টোপধ্যায়গী বাংলা লোলদা ইবা ‘শ্রীকান্ত’ পু অরুনা চক্রবর্তি, প্রিন্সিপাল, - জানকি দেবী মেমোরিএল কোলেজ, দিল্লিনা ইংলিসতা হন্দোকপা লাইরিক্তগী ডা. কুঞ্জেশোর তেনসুবনা মণিপুরীদা হন্দোকপা)*

*ডা. কুঞ্জেশোর তেনসুবা*

(হান্নগী মখা চথজরকপা...)

মতীং থোক্লা ঙাঙলকপা মাগী খোঞ্জেলদুনা ঐবু খংপ্রেক খংহনখি। অহানবদদি ঐ খরা চমম্নখি। মাগী ৱাহৈশিংদু পাখোংগুম্মি অদুবু কোন্না ঐ মদুগী নুংগী ৱাহন্থোক লৌশিনবা ঙমখি।

মানা মখা তানা হায়রকখি, “লৈবাকমচা তারবা অহলদুবু নঙনা করেম্ননা খনখি। নুপাদুগা ৱারী শান্নহৌবদুদগী ঐ লৌশিং কয়াম ফংবা ঙম্মী হায়বদু নঙ খঙব্রা?”

খঙদে হায়না ইশানা য়ানা হায়জরবদা মহাক্লা ৱা মখা তারকখি, “নঙনা মসিমদি হান্ননা খঙফম থোকই। মশাগী ৱা খক্তনা মরুওইনা খঞ্জবা নঙগুম্বা মী – মশাগী অরোন অথূপকী থবক অমদি নুংঙাইবদা অকায়বা লাক্কনি কিজবদগী অশেংবা তাইবং পুন্সিদগী থাপ্পা চেল্লবা মী – মখোয়দুনা মী অতোপ্পা অমগী মরমদা করিসু খঙলোই। অদুম ওইনমক, নখোয়গুম্বা মীসিনি মখোয়না লোইনমক খঙই হায়জরিবসি। নুপীবু করম্বা মওংদা ওৎ–নৈবিরি হায়বগী ৱাফম কয়া নখোয়না লোই–খম নাইদনা ঙাঙদুনতা লৈরি। নুপীগী অহোংবা পুরক্কদবনি হায়বা ৱাফম করিগী নখোয়না কাউথোক্তবনো, অদুগা নশাগীদমক্তা হান্না ৱাজদ্রিবা করিগীনো? নখোয় নশাসি হান্না অৱাংবা থাক্তা পুখৎচদ্রিবা করিগীনো?”

“ঐখোয়না য়েৎনরিবা খন্নরিবা ৱাফমসিনা করি মহয় ফংবা ঙমগদৌরিবনো, ঐ খঙবা ঙমদ্রে লক্ষ্মী। ঙাহাক্তং ঐখোয় পোত্থাখিসি। ঐ য়াম্না শাথীনা তূম্নিংলক্লে।”

রাজলক্ষ্মী মিনিট খরা তুমিন্না লৈখি। অদুদগী খঙহৌদনা মানা শোন্থাংননা হায়খি, কয়া মরী লৈনদবা ৱাফমদা, “মিহৌ করাম্বা! পেন্নাইদবা করাম্বনা ঐখোয়গী খুন্নাইসি মাঙহন্নবা ফত্তবা থবক অমা তৌরক্লে। অচৌবা নত্ত্রগা অনেম্বা থাক্কী মী – মসি তৌদবা কনা অমত্তসু লৈত্রে। অদুগা মসিনা ঙসিগী খুন্নাই অসিগী ফত্তবা খুদিংমক্কী হৌরকফম মরূ হায়বদু ওইরে। মসি ঐ মুন্না খঙলবনি।”

“মদু পূংচুম চুল্লবা ৱানি। অদুবু, মদুগী ৱাখলদু করি কমদৌনা নঙোন্দা লাকখিবনো?”

“থেংনরকপা থবক্লা। মিহৌ করাম্বগী চৈথেং ফংখিবা ঐঙোন্দগী হেনবা কনা অমুক লৈরি?” থায়নগী মতমদা মমানা মচানুপী য়োন্থোকখিবগী ৱারীসি তাখিবা কনা লৈ। মী পূম্নমক মতমদুদা মহৌশাগী ওইফম থোকপা মওংদুদা অদুম তৌনরম্মী, চৎনরম্মী। পোকঙৈদগী লোয়নরক্লবা মরুওইবা ৱাখল লৌশিং অদুগী মতুংইন্না থবক তৌনরম্মী, কনা অমতনা শেলতবু মিকাদুনা ফংনবা হোৎনরমদে। ঙসিদি মালেমগী লন পূম্বা ঐগী ওইরে। অদুবু মসিনা ঐগী করি কান্নবা পুরক্লে। লম্বীদা চৎলিবা চাক্লিবা অমনা ঐঙোন্দগী হেন্না নুংঙাইরি।”

মাগী মখূৎ অনীমক ঐনা পায়শিল্লগা ঈংনাখতপ্পা মঙোন্দা হংখি, “নঙ তশেংনমক্কী অদুক নুংঙাইতবা ফাওব্রা?”

সোর মপী অমা হোন্দোক্লগা মানা হায়রকই, “ঐবু শেম্বীবা চীংঙু মহাকখক্তনা নঙগী ৱাহংসি খুম্বা ঙমগনি।”

“ঐঙোন্দা হায়য়ু রাজলক্ষ্মী, নহাক পুন্সিসিদগী করি ফংবা পাম্মি? নহাক্কী লেমহৌরিবা পুন্সিগী শরুক অসিদা করি তৌরগা নুংঙাইনা লেনবা ঙমগনি?”

“মদুগী মতাংদা কয়ারক হন্না ফনা য়াম্না খনখ্রে ঐ” খুদক্তা খুল্লকখি মানা, “ঐগী লৈরিবা লন–থুম পূম্বসি লোইনা খোক্তুনা লৌথোকখিবা পাম্মি। ঐসি তিঙ্গাংকোক্কী ফীভমদা লৈরবা – মতমদুদতা ...”

মাগী ৱাখলসি ঐনা হোত্রোং হোনা উবা ঙমখি, “মদুগী ৱাখলদু খল্লকপা কয়ামদি কুইরে।” তপ্পা মেঙনা ঐনা মঙোন্দা হংখি।

“অভয়াগী ৱারীদু হেক তাবা মতমদুদগী।”

“অভয়াদি রোহিনী বাবুগা লৈমিন্নবগী পুন্সিবু নীংথি–নুংঙাইনা ফাওবা হৌদ্রি। তুংদা মহাক নুংঙাইতবা থৌদোক কয়া মায়োক্লরকপা য়ারি।”

“অদুবু মহাক ঐনা নুংঙাইত্রিবা অসুম্না কৈদৌঙৈদসু নুংঙাইতবা ফংলোই। ঐনা মদু চপচানা থাজবা লৈ।

ঐ ঙাহাক ৱাখল খন্দুনা লৈখি, অদুদগী ঐনা হায়খি, “ঐগী হেক লৈজবা পুম্বা নহাক্কীদমক লোইনা কত্থোকপা ঙম্মি, লক্ষ্মী। অদুবু মদুদা ঐগী ইজ্জৎতি মাঙবা ঙল্লোই।”

“মদু তৌ হায়দুনা ঐনা হায়খিবা লৈব্রা? অদুগা নঙনা নঙগী ইজ্জৎ থাদোকপা ঙমদ্রবদি – থাদোকফম থোকপা পোত্তু তৌবা ঙমদ্রবদি – থাদোকপগী ৱাফমদু করিগী হায়রিবনো?”

“ইজ্জৎ মাঙলবা মীদুদি শিরবগা অম্মানি। মদুখক নত্তনা নহাক্কীদমক ঐনা পূম্নমক থাদোকপা ঙমগনি।”

ঐনা পায়রিবদুদগী রাজলক্ষ্মীনা মখূত্তু চিংথোকখ্রে। “অদুগুম্বা ৱাগদবা থবক্তুদি তৌবিরুনু। অদুমকপু ৱাহং অমতংদি নঙোন্দা হংজনিংই। ইজ্জৎ হাযবসি নুপাশিংতনা ফংগদবা অখন্নবা হক্–লা? কনাগুম্বী নুপীশিংনা মখোয়গী নুংশিজরবা নুপাশিংগীদমক্তা মখোয়গী ইজ্জৎপু অমোৎপা ফদী মচেৎকুম তরাইনা হুন্দোকপা ঙম্বগী ৱারীগা তাবিখ্রবরা?”

ঐনা কৈনো খরা ঙাঙগে তৌরকপা মতমদুদা মহাক্লা মখূৎ থত্তুনা ঐবু খামখি, ঙাঙহনখিদে।

“হীরমসিদা হায়বা য়াবা কয়া হায়নখ্রে। মখা তারক্লনু! ঐনা ওইরমগনি থাজরম্বা মীশক্তু নহাক ওইরমদ্রে। ৱারীসি স্বায়দা সুম লোইশিল্লসি,” অসি হায়রম্লগা মহাক হৌগৎখিদুনা মাগী ফম্ফমদা চত্তুনা ফমখি।

মথংগী অয়ুক্তা ঐখোয় রেলদগী কুমথরে অদুগা কাশীদা লৈবা প্যারীগী চাউরবা য়ূমজাউদুদা চঙদুনা লৈরে। ঐনা উখিবদা দলাল অদুগী মথক থংবা শরুক্তা লৈবা কা অনী অহুমগুম্বদং নত্তনা অতৈ কা পূম্নমক্তি তোঙান–তোঙানবা চহী লেঙ্গাগী লুখ্রাবীশিংনা পিক থন্না লৈখ্রে।

“মখোয়শিং অসি ঐগী অশানবা কাদা লৈবা মী ঙাক্তনি।” নোক্লগা রাজলক্ষ্মীনা ঐঙোন্দা পাউ তম্মি।

“মসিদা নঙনা অদুক য়াম্না হরাউরিবদি করিগীনো? মখোয়না নঙোন্দা অৱায়মল শেল পীবা নৎত্রা?”

“ঐঙোন্দা পীবদি লায়রদুনা, ঐনা মখোয়দা পীরিবনি।”

“নঙনা হায়রিবসিগী ৱাহন্থোকপু করিনো?”

“মখোয়সি কুইনা মপুন্সি শাংনা হিংদুনা লৈবা ঙমহল্লবা মতুংদা কোন্না ঐঙোন্দা পীরক্লবগীদমক ঐনা হৌজিক মখোয়দা পীরিবনি। ঐগী অচম্বা ৱাফমসিগী ৱাহন্থোক খঙবা ঙম্বিব্রা? অদুগীসু মথক্তা মখোয়শিং অসিগী মনুংদা কয়া অমদী ঐগী মরী মতানি।”

“অওইবগীরা?” ঐনা হংখি চমম্ননা।

রাজলক্ষ্মীনা কংনোক অমা ঐঙোন্দা নোকশিল্লক্লগা হায়রকখি, “কাশীদা ঐগী অরোইবা য়াহিপ তানখ্রে হায়বা শেংলবা ৱাফমসি খ্বায়না খঙনরিবনি। ঐগী পোৎলোইবদা ইমাবু মতেং পাংবিখিবা মখোয়শিংদুবু মনা পীবা হায়বসি ঐগী তৌফম থোকপা থবক অমনি। অদুগীসু মথক্তা মখোয়দি মখোয়না তৌবা থবক্তা হালেংবা লৈতনা তৌই। অদুনা মখোয়গী মথক্তা অথিংবা খরা পীবা তাই। মদুগী থবক্তু ঐ তৌবা হৌখ্রবনি।”

হায়ফম তৌফম খঙদনা ঐ উয়ুংবগুম চপ লেপ্তুনা লৈখি। মানা মখা হায়রকখিবা ৱা অমত্তা তাবা ঙমদবগুম তৌখি। অদুম ওইনমক নোক্লা হায়রকখিবা ৱা অদুনা অমুক্তা তৌখিদবা মওংদা ঐবু থক–থক নিকহনখি।

“ওইরম্লিবা থৌদৌসিদদি ঐখোয়না কাশীদা লাক্লিবসি কান্নদবা থবক ওইরে,” রাজলক্ষ্মীনা হায় ঐঙোন্দা অহীংদুদা, “গুরুদেবদি লাইফম চৎখিদুনা লৈরমদ্রে।”

“মদুনা ঐঙোন্দা করিসু নুংঙাইতবা তৌদে। ঐনা খনবদা, নঙ কলকতাদা হল্লগনিনে, নত্রো?”

“হোয়, হল্লনি।”

“ঐনা নঙবু থিনবগী তঙাইফদবা লৈব্রা? লৈত্রগদি ঐদি প্রয়াগতা চৎখিবা পাম্মি।”

“ঐসু লাক্কনি। প্রয়াগকী গঙ্গা তুরেলদা ঐ হকচাং শেংদোক্তবা চহী ফনা কুইরে।”

ঐ তৌফম খঙদনা চমম্নখি।

ঐ ইখুরা অমগী মনাক্তা মতম খরা লৈরুরগে খল্লম্বনি। অদুতসু নত্তনা প্রয়াগতা ঐগী মরুপ অমদি মরী–মতা খরা লৈ। ঐগী পূক্লিং হোত্রোং হোনা উখ্রে প্যারীনা। অদুগা মানা অমুক হায়রকই, “ইবানী পূন্না লৈমিন্নবসি কনাগুম্বনা উখিগদ্রা হায়না নঙনা কিজে, নত্ত্রদো?”

তশেংনা শাউনিংবা পোক্লদুনা ঐনা হায়খি, “লুরিবা ৱাদি, ইবানী ইচম চম্না লোয়নবা ওইরবসু অউবা মীনদি শেরান্ননা শোয়দনা লৌগনি। মদু থোক্তনবা, মীনা থীনা ঙাঙনখিদনবা ঐখোয়না চেকশিনহৌবনা খ্বায়দগী ফৈদনা।”

নোক্লিংদনা নোক্লগা প্যারীনা হায়রকই, “য়াম্নমক চুম্মি। হাকুম, সিগুম্বা মতম অসিমক্তদা ঐগা নঙগা অহীং–নুংথিল নাইদনা নুমিৎ কুমনি লৈমিন্নখিদনা। মদু কনামতা উহৌখিদবদু কয়াদা লাইবক ফখ্রবা ঐখোয়। আরাদবু নঙগী খঙন–চান্নবগা অমত্তা লৈজদব্রা?”

–মথং মথং

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।